হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ০৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩৩৬শুবা মশীং

# মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎ লাকপদা

## নুপীগী ফীভম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে খন্নবা মথৌ তারে

চহী খূদিংগী মার্চ ৮দা 'মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎ' থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী চহী অসিগী ওইনসু হয়েং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থৌরম অসি পাঙথোক্লগদৌরি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইবা পুৱারী অমা লৈ। ন্যু য়োর্ক সিটিদা নুপীশিংবু মতম শাংনা থবক শুহল্লগা খূৎশুমল মতীক চানা পীবীদবা অমসুং ভোটিং রাইট ফংহন্দবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনখিবা নুপী ১৫,০০০ রোম্বু সোসলিষ্ট পার্টি ওফ অমেরিকানা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদু নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী 'নেসনল ৱিমেন্স দে' পাঙথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯১১দগী ওফিসল ওইনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌরকখি। মার্চ ৮দা 'ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে' পাঙথোকপদি রসিয়াদগী ইহান হান্না হৌদোরকখিবনি। মতমদুদা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওনা মরম ওইরগা নুপীশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। নুপা পূম্নমক্না লান য়াওখ্রবা মতমদা চীঞ্জাক ৱাৎপগী খূদোংচাদবা পূম্নমক কোকহন্নবগী থৌদাং নুপীশিংনা লৌখি। কুমজা ১৯১৭কী মার্চ ৮দা রসিয়ন নুপী লিশিং কয়ানা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা নুপীশিংনা ভোট থাদনবগী রাইট ফংখি। কুমজা ১৯৭৫ দা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম ওফিসল ওইনা শক খঙবগা লোয়নননা চহী খূদিংগী থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা থিম অমা পুথোকপা হৌখি। কুমজা ১৯৯৬তা ইহান-হান্না পুথোকখিবা থিমদি "সেলিব্রেটিং দ পাষ্ট, প্লান্নিং ফোর দ ফ্যুচর" হায়বসিনি। চহী অসিগী থিমনা "ইক্বেল ফোর ইচ" হায়বসিনি। অফঘানিষ্টান, ক্যুবা, লাওস, রসিয়া অমসুং ভিয়েটনাম য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ২০ লোমদা "ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে" বু ওফিসল হোলিদে ওইনা লাউথোকখ্রে। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা নুপা ওইবশিংনা মখোয়-মখোয়গী মমা, লোয়নবী, নুংশিনবী নুপী অমসুং মরূপ-মপাং ওইনা লোয়নরিবী নুপী খূদিংমক্তা অচম্বা খূদোল তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগী চৎনবী লৈরি। অতোপ্পা লৈবাক খরদা 'মাদর'স দে'গী মতৌগুম নুমীৎ অসিদা মচা ওইবশিংনা মমা অমসুং মবেনবোক্তা খূদোল তমদুনা ইকাই খুম্নরি। নেপাল অমসুং চাইনাগুম্বা লৈবাক খরদদি নুমীৎ অসিদা নুপীশিং খক্তগী ওইনা ছুটি থারি।

মালেমগী মফম অয়াম্বদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপগা লোয়নননা নুপা অমদি নুপীগী রাইট চপ মান্নহল্লবসু ইন্দিয়াদা হৌজিক নুপীশিংগী ফীভম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা হৌজিক চাংচৎতা নুমীৎ খূদিংগী মৌ ৬৩ মশা মথন্তা শিজরি। কুমজা ২০০১গী মতুং তারকপদা চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা মৌ ২০,০০০ হেন্না সুইসাইদ তৌবগী থৌদোক থোক্লি। "দি লেন্সেট" মেগজিনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, মালেম অপূনবগী ওইনা নুপী সুইসাইদ তৌবগী থৌদোক শরুক অহুমগী মনুংদা শরুক অমা ইন্দিয়াদা থোক্লি। নুপী ওইবী কয়াবু নমদুনা সেক্স ৱর্কর ওইহনবগী মওং অমসু য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলি। চহী খূদিংগী নুপী কয়া মফম খঙদনা মাঙখিবগী থৌদোক থোক্লিবসি কনাগুম্বা মীওই খরনা মোইথেম তৌরগা নুপীশিং অদুবু নমদুনা সেক্স ৱর্করগী শিনফমদা পুশিনবনি হায়না থাজনরি। খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না ফোঙলকপা এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৬তা নুপী ১,৭৪,০২১; কুমজা ২০১৭তা নুপী ১,৮৮,৩৮২ অমসুং কুমজা ২০১৮ দনা নুপী ২,২৩,৬২১ মফম খঙদনা মাঙখিবগী থৌদোক থোকখি। কুমজা ২০১১গী সেন্সস মতুং ইন্না ইন্দিয়া অপূনবগী লিটরেসি রেট চাদা ৭২.৯৮নি। নুপাগী লিটরেসি রেট চাদা ৮০.৯ ওইবদা নুপীগীনা চাদা ৬৪.৬৩ ওইরি। মশাগী চহী ১৫ হেল্লবশিংগী ওইনা ইন্দিয়া অপূনবগী লিটরেসি রেট চাদা ৭৬ ওইরবসু নুপীগী ওইনা চাদা ৫৯.৩ অমসুং নুপাগীনা চাদা ৭৮.৮নি। কুমজা ২০১৪-১৫গী ওইনা প্রাইমারি লেভেলদা নুপীগী গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেসিও (জি ঈ আর) চাদা ১০১.৪ ওইবদা নুপাগীনা চাদা ৯৮.১ ওইখি। মিদল ক্লাস লেভেলদা নুপীগী চাদা ৯৫.৩ অমসুং নুপাগী চাদা ৮৭.৭নি। হায়র সেকেন্দরি লেভেলদনা নুপীগী চাদা ৬৫.৮ অমসুং নুপাগী চাদা ৬৩.৮নি। হায়রিবা চহী অদুদা প্রাইমারি ক্লাসতা নুপামচা ১০০ লৈবদা নুপীমচা ৯৩ লৈখি। মিদল ক্লাসকী থাক্তা নুপামচা ১০০ লৈবদা নুপীমচা ৯৫ লৈখি। সেকেন্দরি ক্লাসকী থাক্তা নুপীমচা ৯১ অমসুং সিনিয়র সেকেন্দরি ক্লাসকী থাক্তনা নুপীমচা ৯০ লৈখি। কুমজা ২০১১গী সেন্সস মতুং ইন্না ইন্দিয়া অপূনবগী ৱর্কফোর্স পার্টিসিপেসন রেট নুপীগী চাদা ২৫.৫১ অমসুং নুপাগীনা চাদা ৫৩.২৬নি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু হীরম খূদিংমক্তা নুপীনা মরু ওইবা থৌদাং লৌবা হৌরক্লে। বস দ্রাইভর, মেট্রো রেল দ্রাইভর, কন্দক্টর, পোষ্ট মাষ্টর, ফ্লাইট স্কৱাদ্রোন, পাইলোট অমদি সাইন্টিষ্ট ওইবা নুপী কয়া থোরক্লে। নুপী এম এল এ অমদি এম পি কয়া থোরকপগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা নুপীনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং প্রসিদেন্টকী ফম ফাওবা পায়খ্রে। অদুম ওইনমক ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈহনবগা লোয়নননা নুপা অমসুং নুপীগী রাইট চপ মান্নহন্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাং কয়ামরুম ৱাৎলি হায়বা য়াই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।
(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?
(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেম্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে?

২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মন্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোৰ্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?

৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু।

৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খূদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুগা মনা পীজগনি।

# ৱাখল শিংজু

### ঈশিংদা লৈতুম থাদবা

পরিক্ষা অতৌবা খুদিংগী ৱাহংচে মাঙজৌননা সোসল মিদিয়াদগী ফংবগী ফীভম লাক্লি। সুম সুম তোয়শিল্লক্লি। মসিগী মথক্তা অঙাং কয়া অমা পরিক্ষাদগীসু লেপ্পা লৈতনা তান্থোকপগী পাউ তারি। নোট কয়াসু ফারি। পরিক্ষা থাফমগী থোঙ্গালদা অঙাংনা পুরকপা নোট কয়াসু অদুম ফাদোক্লরি। ট্যুসনসু অদুম মপান নাইদনা চৎপা লেপ্লদ্রি।

ঐখোয়গী অঙাংশিং পরিক্ষাদি মায় ফজনা পাকলে, সবজেক্ট কয়াদা লেট্টর চৎলে, থার্দ দিভিজন পাস তৌবীনবা লৈত্রে, সেকেন্দ অমদি ফর্ষ্ট দিভিজন্দা ঙাক্তা পাস তৌনরে, অঙাংনা পাস তৌবগী পার্সেন্টেজ ৱাংলে হায়না হরাউনরি। লৈকায় লৈকায়গী লূপ কয়ানা অঙাংনা পরিক্ষা দিভিজন ৱাংনা ৱাংনা তৌরকপা অমদি মকোম মথং তারকপদা পূক্লিং থৌগৎতুনা ওক্লরি। অঙাংনা পরিক্ষা থারমদাইদা ক্বেসন লিক ওইহনবা কয়া অসিনা লাইরিক তশেংনা হৈজবা অঙাং কয়াদা নীংবা কায়নীংঙাইগী মশক ওইহল্লে। ক্বেসন লিক ওইহন্দুনা পরিক্ষা পাঙথোকপগী থোইনা মথৌ তাহন্দ্রে। অঙাংশিংনা পরিক্ষা মফমদা পুরকপা নোটশিং অদুনা করি পাউখোঙ চল্লিবা? ক্বেসন লিক ওইবদা থৱায় তাবা ময়াম অমা লৈরল্লিবা অসিনা চহী অমা লাইরিক তম্ন রিবা, মিংজলশেল অমদি ফি য়াম্না য়াম্না থিনরিবা ময়াম অসিনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পাউখুম অমফাও খুম্বা ঙমদনবরা? শেল তিংনবরা? লাইরিক অসি তমদ্রসু য়ারবা পোৎলা। পরিক্ষা হোল মনুংদা চেজেৎ খরা পুশিল্লগা নুংঙাইরেমখৈ থাবা য়াবা পোৎলা পরিক্ষা হায়রিসে। চাউর-চাউরবা পরিক্ষা কয়াদসু অরানবা কয়া তৌরম্লে হায়দুনা থবক্কী এগজাম হনবা নৎত্রগা থবক লৌথোকপগী পাউ তাদবা নত্তে, শ্বাইদা নৎত্রবসু মফম অমদা হেক্তা। অশ্বাইদা নৎত্রগনা শ্বাইদা অসুম্মক। ক্বেসন লিক ওইবা অসি তশেংনা চান চাননা থিগৎলগা অদুসু অথুবা মতমদা, অওই অওইনগী মরাল লৈবা মীবু চৈরাক পীবিবা তারবদি কয়াম্না নুংঙাইনি। লেম্না থারোই, এক্সন লৌখৎকনি হায়রগা ঈশিংদা লৈতুম্না থাদবদৌনা লৈখ্রবদি তোল্লবা ননাইখোয়দি কয়াম ৱাগনি।



## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

### টোটেল শটদাউন

মতম অসিদদি মী অয়াম্বা মথৌ শঙনদ্রে। নোং ঙানবদগী য়ূমদগী থোকখ্রগা নুমিৎ তারগা হঞ্জিল্লকপা মী মশীং য়ামশিল্লক্লে। ওজা ওইবা, দবলরুটি য়োনবা, ঈশিং থাবা, ফি লল্লোনবা, লুকমাই পানবা, দ্রাইভর ওইবা, পুলিস ওইবা, দোক্তর ওইবা, উকিল, লেকচরর, এম এল এ, মিনিষ্টর, মহৈরোয়, য়ূমগী নুপী-নুপা, ফি শাবী, পাউমী লোইনা মথৌ চিন্নে। য়াম্না ৱাবা পুন্সি মরেলনি। পোত্থাবা মতম ফংদে য়াওশঙগী ছুটি মনুংদা অথাপ অথাপ্পদা লৈবা মরী মতাশিংগী ময়ূমদা চৎতুনা ৱারী-ৱাতায় তৌজনীংই অদুবু লম্বীদা অঙাং অমদি লৈশাবী মচাশিংনা থৎচিন্দুনা মণিপুর পূম্বা নুমিৎ মঙানিদি টোটেল শটদাউনগী মওংদা লৈহল্লি। য়ূমদা সুম ফমজিন্দুনা লৈরগদি মিসু চঙলকই, অমিয়া কারকই, হীদাক লাংথক থক্লগা লৈনীংলকই। অদুনা য়াওশঙ মনুংদা শেল থৎপা তোকপীনবা লৈশাবীশিং অমদি অঙাংশিংদা নোল্লুক্লা খুরুমজনীংবা ফাওই। য়াওশঙ মতম নুংঙাইনা লেনবা পামজরুবা অমদি লম কোয়বদা য়াম্না ঙাওজরুবনা।

### কোরোনাভাইরস

চাইনাগী ৱুহান প্রোভিন্সতা লাইচৎ শন্দারকপনা, ঙসিদি মালেম শিন থুংনা শন্দোকখ্রে। ফত্তবা মখলগী গ্লোবেলাইজেসন হায়বা তাই। মীগা মীগা লোইনা পুমশম শম্নে য়াম্না সিক্যুলার ওইবা ভাইরসনি, মীগা মীগা নুংশিনৌ! কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা চপ মান্নবা ইমান ইমান মান্নবা পোৎনি হায়বদু ভাইরস অসিনা উৎলি। লায়না অসি পাক্লা থিংবা ঙমগদৌবা মান্দে। করিসু নত্তবদা মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ লোইনা মুৎখিবসু কনানা হায়বা ঙম্বনো? মীওই লাক্ষ ৩০ রোম লৈবা মণিপুরগী মীশিং অসি লায়না অসিনা লোইনা নারক্তুনা ইজরিবা ঐ ফাওবা লায়না অসিদা চৎখিগদ্রা হায়না চিংনজৈ, অদুনা মস্ক উপ্পা, খূৎ হাম্বা, মীঙোন্দগী লৌদনবা লাক্লবা মথৌ তারে হায়রি। লায়না অসিবু চাইনা ফাওবনা মায়থীবা পীবা ঙমদ্রি। ●

# মীহুত্তদা তায়নবা লাল্লকপা

### নবকুমার ওইনা

ইদোম লাকপনি, ইদোম হনখিনি হায়বসি ভোট থাদনরগা শেন্বা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি লাল্লে হায়বা খঙনদ্রিবরা? মীয়ামসি পুল্লবনি হায়বা খঙদনা মতোমতগী ৱা ঙাঙবা, মতোমতগী ৱাখল খনবা, মতোমতা নিংথৌ শাবসি লৈবাক্তুগী মী ওইদ্রি হায়বগুম্বনি। মদুগুম্বা মীশিংনা লৈবাক্তু শেন্নখৎলক্লবদি লৈবাক্তু মীখা পোল্লিবা লৈবাক হায়বদু ওইরিবনি। কৈদৌঙৈদসু মনিং তম্বা ঙম্লোই। লৈবাক অমা ওইনা পানবা নৎত্রগা লৈবা শুকঙম ঙম্লোইদৌবা অমনি হায়গনি।

কারন তারিবশিংবু খল্লবা মীহুৎশিংনা শেন্নবা তাবনি হায়বসিসু লাল্লি, মদুদা হেরো কুম্বসু লাল্লি। ৱারেপ্পা, মীয়াম্না, লোনা তৌজবা থবক খুদিংদা মশানা তৌবা শাবসু লাল্লি, ৱাঙাঙদুসু লাল্লি। থবক তৌবীয়ু হায়বসু লাল্লি, পৈশাদি লৈতনা। লৈরক নূং থাবসু মশাগী শেল পুথোকপা লাল্লি। মনাইনা মপু শাবদুনা হেন্না লানখ্রে, খঙদবগীনি।

মশাগী চহী ১৮শুরবদি লৈবাক্কী চৎন-কাঙলোন খঙলবনি হায়না লৌরে। খঙদবনা ৯৯নি, খঙবা মানবনা অমখক্তনি। লাইরিক তম্লবশিংনা হেন্না খঙখিদ্রে। মীপূম খুদিং লাইরিক তম্নরবনি হায়রগা ভোট তৌরিবসিদি হঙ্গোইবা থাক অমদা লৈরিবনি। ৱাথোক ময়ামসিনা তাকচৈ, উনা-উনা খঙদবগা চপ মান্নে। শেল পীরগা (য়েল্লগা) মখোয় খরনা লৈবাক্তু লৈখ্রে, মখোয়না থোকপা তৌখ্রে। মথংগী চহী মঙাশু লৈবা য়ানবা খূৎ শম্নখ্রে। খঙজদবা মীয়াম অমনা নুংশিৎ শিৎপদা উনা য়াওবগুম কোয়পাই পাইদুনা লৈবগুম্বনি। ৱারেপ লৌবা ঙম্লোই, পন্থুংফম লৈরোই, মৱা লৌবা য়াবা ৱা অমত্তা ঙাঙলোই। কনাগুম্বা খরগী পার্টি ফৈ-ফত্তে ভোট পীরগা লৈগনি, মশাগী মথৌদু মী খরদা শিন্নরগা নিংথৌ ৱায়বা তারগা তোক্লরিবনি, মমৈদা পঙবগী ৱাথোক অমুক ওইরকই। লম্বীদা থোক্লগা হাৎনবা ফাওবা ঙম্নরক্লি। দেমোক্রেসিনি হায়গনি লৈবাক ঙাকপদা লাইগী পার্টি মানবসু য়াওগনি। মানা-মানা ঙম্নবা মুক্লবদা দেমোক্রেসি কাউনরি, হিংচা য়াইতম্বা ঙাক্তা মাল্লক্লি। অদুগা মীয়াম অমনা হরাওনা য়োং জগোয় শানরি। মদুসু দেমোক্রেসি মান্নবা লাওবগা, খোংবগা কোয়লাং লাংগনি। খঙবদি নত্তে।

মী য়াম্নবা খোম্লগা দেমোক্রেসি কৌবা লাল্লি। ভোট খোম্বা হায়বসু লাল্লি, ভোট হায়বসি খোম্বা য়াবা পোৎ নত্তে। খোম্বদা চৎলবদি ভোট পীবা কৌবা য়াদে। পঙবগী খুদুং ইনবা কৌগনি। মীয়াম্না পঙলবদি দেমোক্রেসি কৌবা য়াদে। খোংবান খরা শেংবা, লম্বী খরা শেম্বা, অঙাও-অফৈদৌনা প্লাষ্টিক খরা খুল্লগা নুংশিবীয়ু, ভোট পীবিয়ু হায়বসি লো অমা ওইনা য়াদবা শাজৎ অমনি। লৈঙাক্কা শম্নদবা শাজৎ কয়ানা লৈবাক অমা শেমগৎকনি হায়বসি অরিবা চক্কী শাজৎ অমনি, পঙলিঙৈগীনি।

ইরগদি লৈবা, মীয়াম্না খ্বাইদগী খঙনদবা রুল অমা হায়বা তারবদি কনষ্টিট্যুসন অসিসু অমা ওইরে। অতোপ্পা মীওই খরনা তম্বীরম্লগা মতৌ তম্বা ওইনা মীগী খুদুং ইনবদা য়োংনা তিম্থোক পায়বগুম হৈনদবা মানবা, হৈতবা হায়বসি লৈবাক ঙাকপদা তৌরবদি লৈবাক অমা মাঙবা মশানা তারকপনি। মতৌ মান্নবা মী ময়াম্না য়ানরবনি হায়গনি, লাওগনি; অদুগদি অশোনবা কাঙবুবুদি য়োৎশিনগনি। নখোয়গী লৈবাক্তু ঐখোয়গী মীয়াম্না লৌশিনবা য়ারে হায়না ৱারেপ লৌবসিবু দেমোক্রেসি কৌই হায়বদা য়ারিবসি দেমোক্রেসি কৌবা য়াফম থোক্তে। মদুদা য়ারিবা মীশিংদু মশা-মশানা দেমোক্রেসি খঙলবনি হায়বসু য়াগদৌবা লৈতে। খঙবসু খঙদবদু চৎনরে হায়রিবনি, মীহুৎ ওইনা খল্লবা মী ফাওবনা খঙদ্রসু য়াবা হায়বসি কনষ্টিট্যুসন হায়বা অসিনা ওইরে। অতোপ্পা লৈকায়দা য়াওশঙগী চাকচানবগুম্বনি।

মীরেপ য়াম্বা য়াবা অদুদগী মী মশীং য়ামদবনা খনবা মীওইদুনা লৈঙাক পায়বদগী য়াদবা মী মশীংনা য়াম্বনিনা লম্বীদা মৈ চাকপা মশানা তারকই। পার্টি মশীং খঙদনা লিংখৎপা য়াবা হায়বসি অপঙবা দেমোক্রেসি অমনি। পার্টি থমদবীদা খল্লবা মীহুৎ ময়ামদুনা পূন্না থবক কয়া তৌবা য়ারিবনি। মদু হৈত্রিবসি মপুক ফৎনদবা য়াম্না য়াওবা, ৱা খন্নবা হৈতবগী ওইগদৌরিবনি। পার্টি য়াম্না হায়বসি খৎননবা শিনবা অমনি। মীয়ামগীদি ভোট তৌরে, পার্টি মনুংদদি ভোট তৌনদে, চৎনদে, হৈতে, খঙদবগীনি হায়গনি। মপুক ফৎনদবগীসু ওইবা য়ারিবনি।

কনা অমনদি সিষ্টম শোয়বগীনি হায়গনি, সিষ্টম শোয়রিবসি মী শোয়বগীনি। দেমোক্রেসিদদি লিদর হায়বা য়াদে, মীহুৎ খুদিং লিদরনি। অমনা হায়বা লোইনা য়াবা হায়রদি মোনার্কিজমনি হায়গদৌরিবনি। তুং ইল্লিবা ময়ামদু অপঙবা ওইগদৌরিবনি, দেমোক্রেসিদদি অপঙবা য়াওবা য়াদে। দেমোক্রেসিদা অচৌবা শাবা য়াদে, দেমোক্রেসিনি হায়রগা মোনার্কিজম চৎনবা মাল্লিবসি দেমোক্রেসি খঙবা ৱাৎপগীনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী শাজৎ থাদোকপা ঙমদবগী ওইগদৌরিবনি। মখোয়দুনা শোয়রগা য়ানদবনা লালহৌবা মাল্লকইবনি। শাজত্তুনা পোক্লকপনি, দেমোক্রেসিদদি য়ানদবা লৈফম থোক্তবনি। য়ানদবা য়াওরিবসি নিংথৌ শাবা য়াওবদগীনি, মোনার্কিজমগী শাজৎ য়াওবগীনি। ইম্পেরিল্লিজম চৎপা য়াওবগীসু ওইবা য়ারিবনি। য়ানদবা য়াওরিবসি পঙবগীসু ওইবা য়াই, মপুক ফত্তবা য়াওবগীসু ওইবা য়াই, অপুনবগী অপঙবা অমনসু ওইবা য়াই। পঙববু মান্নরবসু ৱারেপ লৌবদি য়াই।

ঙসিনা মীহুৎ ওইরবশিংদা ৱাকৎ পঙথাংদা থাংগৎপা মাল্লক্লি। তত্থায় হেনবনা য়াদ্রগা ৱাকৎ য়াম্বা তাবদু ৱাকৎ থাঙ্গৎপসু হৈত্রি। ৱাকৎপু শাওবনা হাল্লি। মৈ থাববু ৱাকৎলা, ফমদুনা লৈববু ৱাকৎ কৌব্রা? ৱা খন্নফমদা খন্নহনবদুবু ৱাকৎ কৌগনি। ৱাকৎ তাদবদুনা মীহুৎ কৌবা য়ারক্ত্রিবনি। ৱাকৎ তাবা হৈত্রবা, ৱা খন্নবা হৈত্রবদি মীহুৎ ওইনবা মীরেপ ওইবদগী থিংবীবনা ফরবনি। মীওই কয়া অমা ফাগি তারগা তোকখিবা য়াওখ্রে। য়ারে হায়রবসু পঙলেপ্তা লেপ্নবদগী মশানা খঙলকপা মতমদদি ফাগি তারম্বদুনি। মীরপ ওইনীংবা হায়বসিদা ৱাফম কয়া অমা চঙলি। শেল পায়দ্রবদি য়াদ্রিবসি অচৌবা অশোয়বা অমনি, মালেমদা চৎনদবা থৌওং অমনি। হায়বদি মীয়ামসি মালেম অসিদা তোঙানবা শাজৎ চৎপা ফুরুপ অমনি। মীয়াম হেক্তা হায়জিল্লি, চীংদা অদু য়ৌনা অঙকপদি ওইদে, চীংগী লম চেন্থনবা পূন্না হায়বদি য়ারোই, মীওই খুজোক অমনা লমদম অমা চেন্থহনবা য়ানরোই। মীওই খরদুনা পুনিংবা মায়কৈদা পুবা য়াহনবা হায়বসি নূং মচা-মচানা খূৎলোকপী মরূ ওইবগুম্বনি। হুনগৎলগা লোকপা হৈবনা নূং য়াম্না পৈবদুনি। খূৎলোকপী শান্নবসি দেমোক্রেসিগদি ওন্ন-তৈনবনি। দেমোক্রেসিদি য়ূম্ফমদগী লৈশৌপুংগুম্না থৌদাং লৌনরগা ৱাংখৎলক্কদৌবনি, খোই মহুমগুম্না অরাপ্পা উসা অমদা য়ানবসি নত্তে। অরাংফম শারগা শেল হুরান্নবসি নত্তে। থবক কন্না শূরিবশিংনা লৈখোম অদুম তৈবা, লৈখোম তৈদনা ভোটকী চেনবা য়াওবশিংনা শেল অসুম পায়খৎলকপসি দেমোক্রেসি কৌবা লাল্লি হায়গনি। চহী ৭০ শেমদোক্লবা মুক্না শান্নবগুম্না মুক্লরগা লৈবসু য়াওরি। মীয়ামদা ওনশিল্লগা শাওনীংবসু য়াওরমগনি। ইরাবতনা পেনখিদবসু লোয়নননবা মী য়াম্না ফংখিদবগী ওইরমগনি। ঙসি ফাওবা য়েৎনবা তোক্লদ্রি, কৈদৌঙৈ ওইগনি খঙবা ঙম্নদ্রি। শেমদোকপা য়াগদৌববু মাল্লক্তে, ৱাচেৎকী থাঙ হায়বদুনি, কায়বনা হেল্লকপা শমজিন্নবা য়াদ্রবা জাৎ অমখকনি। ভোট নোংঙানবগা মীহুৎতা তায়নবা হৌরনি, কয়াদা পেরাসাইটিক ওইখ্রবা ৱাখলনো।

পূম্নমকসিগী মথক্তা ঈ মখলগী লান অমা তৌশিনখ্রে। ঈগী লান তৌবশিংনা পুম্লাং লাংবদগী অপূনবগী ৱাখল কাউনখ্রে। মীপূম খুদিংমক লান্মী ওইনা ৱা ঙাঙবা ঙম্নরক্লে। লাইনীংগী লান্মী ওইবসু য়াওনরে। পূম্নমকসি অপঙবা ফুদোকপা মাল্লক্লে। পূনবা হৈতবশিংনা পুনবগী ৱা ঙাঙগনি, মাগীদা পূনশি হায়বা মাল্লকপদুনি। পূনশি হায়বদুবু নিংথৌমচা মানবা য়াওরে, পূনশি হায়রগা জাৎ খায়রে, অনেম অৱাং খায়রে। মান্নহনসি হায়বা য়াদবসি জাৎ খায়বনি। মান্নরিবা ফুরুপ মরক্তা জাৎ খায়বগী শাজৎ হাপচিল্লিবসি অপূনবগী শক্তম থুগায়রিবনি, মশানা মশা খঙদবনি। অদুগুম্বা শাজৎ ময়ামদুনা মীওই খুদোকমুক অসিনা মালেমদা তোঙান তারিবনি, লৈঙাক লৈজদ্রিবনি। মীগী ফিজি-ফিনাদা নপ্পা অমাং-অশোয়গুম্না শোক্ল-শম্নবা য়াদে হায়রুবশিংদুনা তিন্ননীংদ্রে, শম্ননীংদ্রে হায়রল্লবা ফাওবদা নিংথৌ শাদুনা লাওশিনবনা কান্নবা ফংলক্ত্রবা তাঙ্কক অমদা চোংশিনখ্রে। জাৎ অৱাংবনি খল্লুবশিংদুনা অতোনবা থাক অদুদা হিংজবা তারক্লে, মশানা ৱাংই খঞ্জবতনি, মীনা তিন শিৎনরিবদি উরুদে।

লৈবাক ঈরাং থোকহল্লিবদি মীহুৎশিংনা ওইদ্রে। য়াদে য়াদে হায়বশিংনা নাক-পাক তানা চিংখায়নবা য়াওবনা ওইরে। হুই চিক্লবা খুদিং য়ূম্বুনা খাম্বা ঙমদবসু লৈগনি। খৎনবদা পূনবগী ৱা লৈগদৌবা মান্দে। লমদম অসিদা পোক্লুবগী অপূনবা হায়বদুদা য়াওবা ফংদনা ইদোম শিখিবা তারি। ●